# মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীহন্নবা রিকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎতা শরুক য়াবিয়ু

ইন্দিয়াদা য়েলহৌমীশিংবু জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী চৎনবা হৌখিবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইব হায়না খঙনদুনা মখোয়না খুন্দারিবা লমদা অতোপ্পা সেদ্যুল ত্রাইব নত্তবা মীওইশিং খুন্দাবা অমসুং ভোট লেপ্পা য়াহন্দবগী অকনবা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীরি। মসিগী মথক্তা মখোয়গী মহৈ মশীং তম্বগী, শেল থুমগী ফীভম ফগৎনবগী অমসুং থবক ইনখাং চঙবগী ঙাক্লৌ-থৌরাং কয়ামরুম অমদি অতৈ চাওখৎ-থৌরাং ময়াম অমসু শেমদুনা চৎনদুনা লৈরি।

মণিপুরসু ১৯৪৯দা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈঙাক্তুনা লাক্লি। মণিপুরগী মৈতৈ/মীতৈ নত্তনা অতৈ য়েলহৌ ফুরুপ পূন্নমক হায়রিবা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্ট অসিদা য়াওহন্দুনা লাক্লি। লিষ্ট অসিদা য়াওরবনিনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা ঙাক্লৌশিংনা মখোয়বু মপানগী মীতোপশিংদগী ঙাকথোক্তুনা লৈরি। লাইবক থীবদি মৈতৈ/মীতৈশিংদি য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরবসু ৱাখল মফাং মফাং তৌবনা অমদি থওইনা খল্লুদবদগী এস টি লিষ্টতা য়াওদনা লাক্লি। মরম অসিনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ অমত্তা য়াওদনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুং চহী ৬৯ রোমসি লাক্লি। ঙাক্লৌ য়াওদবনা হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী য়াম্লবা মীওই ক্রোর ১৩০ রোমগী ঈপাক্তা ইরাক্নদুনা মশাগী শক্তম মাঙশিল্লকপগা লোয়নননা মরমদমদা মাইনোরিটি ওইরক্তুনা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা মায়োক্নরে। মরমশিং অসিনা হৌজিক্তি মীপূম খুদিংমক য়েলহৌমী কনগদবনি অমসুং ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না ঈহৌ কয়া হৌরে।

মসিগী মথক্তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি, ত্রান্স এসিয়ান হায়ৱে, ত্রান্স এসিয়ন রেলৱেজ লাইন্নচিংবসি থুংলবা হৌরক্লবনি । পূন্নমকসি থেংননবা ঐখোয় করি তৌবা তারি? মণিপুরগী শরুক ৯০% হেনবদা খুন্দারিবা চীংগী ইচিন-ইনাওশিংদি পূন্নমক এস টি লিষ্টতা চল্লবনিনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌনা ঙাক্তুনা লৈখ্রে। লেমহৌরিবা ১০% ফাদবা মৈতৈ/মীতৈনা নম্না খুন্দারিবা তম্পাক্কী শরুকসিদি শম্বল খাদবা ইখ্তোলগুম মপাল্লোমদগী লাকপা মীতোপ য়াওনা মীপূম খুদিংমক খুন্দাবা- লৈবা য়ারি। হোংলক্লিবা ফীভম অসিদা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব হায়না খঙনরিবা য়েলহৌমীশিংগী লিষ্টতা চলহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে অমসুং মসিনা খ্বাইদগী নক্লা ওইথোকপা য়াবা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ ফংনবগী লম্বীনি।

নীংশিংবা য়াই, কম্মিটিনা লানখৎখিবা মেমোরেন্দম অমগী পাউখুম ওইনা ভারতকী মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসনা হৌখিবা চহী ২০১৩গী মে তাং ২৯দা মণিপুর লৈঙাক্তা মৈতৈ/মীতৈ এস টি লিষ্টতা চলহনবগী মতাংদা মখা খন্ননবা রিকমেন্দেসন থারক্লবা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না কম্মিটিনা মৈতৈ/মীতৈ মীয়ামগা লোয়নননা হৌখিবা তাং ১৮/০৯/২০১৬তা মৈতৈ/মীতৈ মীওই লাক্ষ অমা মখায় হেনবনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎপা য়াওনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংসু চঙশিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা মথৌ তাবা রিকমেন্দেসন থাবীনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎপীদনা লৈরি।

দিমান্দ অসিগী মতাংদা হৌখিবা তাং ১৩/০১/২০১৯দা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না লেপ্নখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না জন্যুৱারীগী তাং ২১গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা তাং ২২গী অহিং নোংয়াই ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা চেবাউ পীরকপগী মতুং ইন্না হৌখিবা তাং ১৮/০১/২০১৯, ৬/০২/২০১৯ অমসুং ১৬/২/২০১৯দা মথং মথং অহুল্লক চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানখ্রে অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইকসু মতম খরা য়ৈথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু লাইবক থীবদি অহুল্লক ৱারী শানবা অদুদা কম্মিটিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা মথৌ তাবা রিকমেন্দেসন থাননবগী অকক্নবা মতম অমা পীবিয়ু হায়বদা লৈঙাক্লা পীবিয়ু য়াখিদে। লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা তাকপদি লৈঙাক্লা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপকী হিংবা চঙবগা মরী লৈনবা ৱাফম অসিবু লুম্না লৌদবদা নত্তনা থেংথহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌই।

নীংশিংবা য়াই, ইকুই কুইদ্রিঙৈদা অসামগী ও বি সীদা য়াওবা ফুরুপ তরুক - টাই অহোম, কোচ - রাজবংসি, মোরান, মুতোক, সুতিয়া অমসুং টি ত্রাইব এস টি লিষ্টতা য়াওহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অয়াবা পীখ্রবনি। ফুরুপ তরুক অসি এস টি লিষ্টতা চল্লবা মতুংদদি অৱাং নোংপোক ইনি দয়াদা এস টি লিষ্টতা য়াওহৌদবা কন্সটিট্যুসনেল ঙাক্লৌ ফংদবা য়েলহৌ ফুরুপ অসি মৈতৈ/মীতৈ খক্তা ঙাইহৌরগনি অমসুং নাইতোম তাহৌরগনি। ঙাক্লৌ অমত্তা য়াওদবনা মপান্দগী হাইজিল্লকপা শেঞ্জাও পায়বা মীতোপশিংনা মথং মথং লমশিং লৈশিনখিদুনা লম মপু ওইখিবগা লোয়নননা ভোট লেপ্পগী অথিংবসু লৈতবনা ভোটসু কাখিবা তাবনি। মীতোপ্না লম মপুসু ওইখিবা, লৈঙাক্কী চুপলিসু পায়খ্রবা মতুংদদি মৈতৈ/মীতৈ পুৱারী ওইরগনি।

মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা থেংথবা তৌদনা অথুবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মথৌ তাবা রিকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বা খোল্লাউগা লোয়নননা লাক্লিবা মার্চ ৩, ২০১৯ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০দগী থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদগী হৌরগা কোনুং লম্পাক ফাওবা মীয়ামগী অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎচগনি।

ৱাকৎ খোঙচৎ অসিদা অদোমসু/অদোমগী ক্লব/মৈরা পায়বী/ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বরশিংসু ঐখোয়গী ফুরুপকী তুংগী মীরোলগীদমক খনবিদুনা শোয়দনা শরুক য়াবিয়ু লোয়নননা হৌখিবদা পাংবিবগুম অঙম-অঙম্বা পাঙ্গলগী, পোৎকী, শেলগী অমসুং ৱাখলগী মতেং পাংবিয়ু হায়না নোল্লুকচরি।

- ☞ NO ST NO RAIL LINE
- ☞ NO ST NO REST
- ☞ SAVE INDIGENOUS PEOPLE OF MANIPUR
- ☞ SAVE YELHOUMEE MEITEI/MEETEI, SAVE MANIPUR
- ☞ MANIPUR FOR YELHOUMEE
- ☞ KNOW OUR ROOT

**Publicity Sub-Committee**
**Scheduled Tribe Demand Committee,Manipur**

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এদেদ স্কুলগী ওজা কয়ানা ঙমখৈ লৈতনা পেনগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুর* লৈঙাক্না ষ্টেট এদ্যুকেসন্দা থম্বীরিবা মীৎয়েং অসিগী অশেংবা মশক্তি মপান থোঙগী ওইবা মীৎয়েংদা স্কুল কয়া শাংলবা রমসাগী ওজা কয়া হাপচিনবা মদুসু তোলোবতি পীবিদবা, অমরোমদনা এদ্যুকেসন ফহন্নবা ৱাফম কয়া ঙাঙবা অমদি থবক ওইনা পাঙথোকপদদি থা কয়া, চহী কয়া চঙহন্দুনা থম্বীবা, ফাইল অমা মচি লেংনবা হোৎনবদা হঞ্জিন হঞ্জিন তক্লবদা মচি লেংহনবা ঙমদবা অসিগুম্বা অসিনা করম্না এদ্যুকেসন ফহনবা ঙমগদগে? এদেদ স্কুলগী অহাংবা পোষ্ট ৩২৩ মেনশিন্নবা ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীবিদুনা দিসিজন লৌখ্রে। অদুবু অথুবা মতমদা তৌবীদনা নোংমা-নোংমা অসুম য়ৈথোক্তুনা লৈখ্রে। নাখৈ শেংদোকপা অমা লৈতবনা অমদি লৈঙাক্না অথুবদা লোইশিখিনবা য়াথং পীদবনা এসেমব্লি মীফম্না অমুক নন্নখ্রে। মসিগী মতুংদা অমুক লোক সভা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট মার্চকী অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা চয়োলদা লাকপা য়াবগী থাজবা লৈরিবনি। মসিদগী অমুক মীখল লোইদ্রিফাওবা পন্থদুনা লৈখিবা তারি। অসুম্না মতম কয়া পন্থদুনা লৈহনবনা থবক্কী প্রোসেস লৈতবদগী ফাইল কয়া পেন্দিংদা লৈবদগী তৌগদবা থবক ময়াম অমা মথং মথং নমদুনা লৈরিবা অসি অতৈগীদি খঙদে এদ্যুকেসন হায়বা হীরম অসিদদি য়াম্নমক চুমদবনি। চহী ৪০শুরবা এদেদস স্কুলগী ফীভম অসি তশেংনা ষ্টেট অসিদা খ্বাইদগী হন্থবা থাক্কী শিন্মীগুম থম্বীরি। ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না কুমজা ২০১০গী আর ও পি শিনবা থুংনা চৎনখ্রবনি। অদুবু কুমজা ২০১৩গী জুলাই ২০দা থোকখিবা মণিপুরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি আর আর রাসমিনা মণিপুরগী গভর্ণরগী মীংদা গ্রান্দ ইন এইদ স্কুলশিং য়াওনা পীখিনবা য়াথং থোকখ্রবনি। অদুবু এদেদ স্কুল কয়াগীদি ঙসি ফাওবা ফংহনবীদ্রি। মসিদবু এদেদ স্কুলগী ওজানা করম্না পূন্নিং হরাউনা স্কুল কানীংফম থোকপগে?

ওজানা স্কুল কানীংদ্রবা তুংগী মহৈরোয়গী পুন্সিনা করি ওইফম থোকপগে? লমদম অসিগী তুংগী আশা কয়াগী থাক লেপ্পদা মরু ওইরিবা অসি ঙসিগী অঙাং কয়া শেম্বা, মহৈ নীংথিনা হৈহনবা, মোরেল ভেল্যু মুন্না মশক খঙহনবনি। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিদি এদ্যুকেসনবু নমথবীদুনা হীরম অমত্তদা য়েংবীদনা থম্বী হায়বসি মথক্কী অসিনা লেংদ্রবা খুদমনি। অমুক্কসু সুমন্ট সিং ও এস দি টুদা চীফ মিনিষ্টর ওফ মণিপুরনা কুমজা ২০০২গী ফেব্রুৱারী ৭তা হান্না লৈরম্বা ওজা ১০০ অসি ষ্টেট লৈঙাক্না ককথৎতুনা থম্বীখ্রবা মদুসু মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবা মতমদা থোকখিবা য়াথং অদু রিভিয়ু তৌবিনবা সী এম ওফিসকী লেট্টর নম্বর ১/১৮/২০১৪ সী এম গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা পীবিরকপা টু দি কম্মিস্নর (য়ু টি এন-য়ু) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া থাবীখ্রে। অদুগী মতুং ইন্না অন্দর সেক্রেটরি এদ্যুকেসন (এস) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমগী লেট্টর নম্বর কোপি য়াওনা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৭তা লেট্টর নম্বর ১৭/২/২০১৮ এস ঈ (এস) এদেদ (সী এস এস) অদুগী মতুং ইন্না দিরেক্টর এদ্যুকেসন (এস)তা রিভিয়ু তৌবীদুনা এদেদকী হিন্দি ওজা ১০০ অদু হান্নগী সার্ভিস মখা চত্থনবা সবজেক্ট তৌদুনা পীখিবা ভি সিলাস অন্দর সেক্রেটরি এদ্যুকেসন (এস) তা ৱারোল থাবীখিবনি।


অতোপ্পা অমনা চহী কয়া এদেদ স্কুলদা ওজা ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথাখ্রবশিংগী পেন্সনগী শেনফম খরদং ওইরবসু পীবীনবা হায়জবা লৈখ্রে। অদুবু ফাইল চৎপদা দিরেক্টর এদ্যুকেসনগী ওফিসতা ফোটোগী নেগেটিব ওন্দুনা ফুম্বংননা লৈখ্রে। মসিদা লৈঙাক্না মীনুংশি খরদি উৎপীবা মতম ওইরবনি খঞ্জে। পূন্নমক অসি য়েংবীদুনা ঙসিগী লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীরবদি এদেদ স্কুলগী ওজা কয়ানা ঙমখৈ লৈতনা পেনগনি।

*অদোমগী- এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

মমি ৱারী

## ‘ইল্লুষ্ট্রেসন’

### বিভাশ শর্ম্মা



*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*